HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




Vol. 49, Issue No. 184 | নোংমাইজিং, মেরাগী ১৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, October 05, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## শলাক শারবা ময়ায় লম্বীগী খোঙ্গুল লীরুবদা চহী ১০গী মমাঙদা ‘নেশনল হায়ৱে’দা ওনখৎলম্বদা ঙকপনা খম থেংলে

**ইম্ফালগী ৱাহেংবম লৈকায়দগীনা ককচীং লমখাই ফাওবগী কিলোমিটর ৪৫ শাংবা লম্বী অসি শেম্নবগী দি পি আরদি পি দল্লিয়ু দিনা থাগৎখ্রবসু চৎলিবা চহীসিগী মার্চ থাদা শেমদোক্লবা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিনা অমুক থাদরক্লে**

এন এস মঙাং

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী লম্বীশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফত্তবা লম্বী অমা ওইরক্তুনা শলাক শারবা ময়াম্না ‘ময়ায় লম্বী’ হায়রগা খঙনবা ইম্ফাল-ময়াং



ইম্ফাল লম্বী অসিনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম

অসি মতৌ করম্না ওইবনো অমসুং লম্বী অসি

**রেসিদেন্সিএল এরিয়াদনা ময়ায় লম্বী অসি মিটর ২৬.৫ পাক্লগা লম্চাংদনা মিটর ৩২ পাক্কদবা ওইরম্লে**

শেমজিন শাজিনবগী থৌদাং লৌগদবনা কনানো হায়বগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লম্বী অসিবু শিনি-চঙনি খঙদবা মীওই অমবু লাইবক য়েংদুনা আই সী য়ুদা থম্বগী ফীভমদা লৈহল্লক্লিবা অসিনা কনাননো হায়দুনা খোঙ্গুল লীরুবদা ময়ায় লম্বী অসি ঙসিদগীনা চহী ১০ রোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৫দা ‘নেশনল হায়ৱে’ গী থাক্তা ওনখৎলম্বদা খংপ্রেক খংখ্রে।

মমাঙ থাগী ৩০দা পাঙথোকখিবা হিয়াংথাং লাইরেম্বীদা ‘বর’ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লাইনীং ওইরকপা ‘ফ্রী মুভমেন্ট’ অথুবা মতমদা য়াগদৌরে : পুলিস সোর্স

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচএনএস):** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি-জো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন লৌগনি হায়দুনা দিমান্দ তৌরদুনা চত্থরক্লিবা তমথীরবা লান অসিগী ৱারোইশিন হৌজিক চহী অনী মখায় ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্না পুরকপা ঙমদ্রগসু ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী ষ্টেট অসিদা চৎনহল্লক্লিবা প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্কী খূথাংদা হোম মিনিষ্ট্রিনা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎলকপগী মনুং চন্না চীংমীশিং খক্তা নত্তনা তম্পাক্কী মীয়াম্না নেশনল হায়ৱেশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট য়াহল্লু হায়বগী দিমান্দদা লাইনীং ওইরদুনা তাল্লকখিবদু অথুবা মতমদা য়ারক্তুনা মঙফাওনগদৌরে।




হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি মণিপুর পুলিস হেদ ক্বার্টরদগী দিপার্টমেন্ট অসিগী মকোক থোংবা ওফিশল অমদগী ফংখিবা পাউনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## চুড়াচান্দপুরগী পুলিস পর্সনেলশিংদা ইল্লিগেল ওর্গনাইজেশনশিংনা শেলগী দিমান্দ তৌরে হায়বগী ৱাফম ভাইরেল ওইরক্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচএনএস) :** চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী পর্সনেলশিংদা ইল্লিগেল ওর্গনাইজেশন খরনা শেলগী দিমান্দ তৌরে অমসুং হায়রিবা দিমান্দ




অসিদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পুলিসকী রেঙ্ক এন্দ ফাইলশিংনা নাথৈদুনা লৈগদবনি হায়বগী ওর্দর

অমা ঙরাং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি প্রাখর পান্দে (আই পি এস) না ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## চান্দেলগী টেম্পররি জেলদগী মীওই অনী নান্থোক্তুনা চেনখিবগী মনুংদা ১ অমুক হন্না ফারে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচএনএস) :** চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী দি সী ওফিস কমপ্লেক্স মনুংদা লৈবা মিনি সেক্রেটেরিএটতা টেম্পররি ওইনা হাংবা জেলদা থম্লকপা মীওই অনী নান্থোক্তুনা চেল্লুবগী মনুংদা অমদি পুলিসনা খোঙ্গুল লীবদা অমুক হন্না ফাগৎপা ঙম্লে। অদুবু অতোপ্পা মীওই অমদুদি ফংবা ঙমদ্রি হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা, থৌদোক অসি হৌখিবা শগোলশেল অমসুং ইরাই নুমিৎকী লোন্নবা অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১দগী ৩ ফাওবগী মনুংদা থোকপনি হায়রি।

মীওই অনী অদুনা টেম্পররি জেল অসিগী টৌইলেটকী থোঙনাও (ভেন্টিলেটর) ফক্কাইরগা নান্থোক্তুনা চেনখিবনি হায়রি।

টেম্পররি জেল অসিদগী নান্থোক্তুনা চেনখিবা মীওই অনীদুদি ম্যান্মারগী খাম্পাৎ দিষ্ট্রিক্টকী কোলাং খুলদগী থাংলিনকাপ (২০) অপোকপা ঙম্পাউ অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### অনৌবা লৈঙাক শেম্বু শেমহনবীরক্কদ্রা

## বি জে পিগী এম এল এশিং দেল্লীদা পাইশিন্নবা হৌরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচএনএস) :** ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিলদা মতমদুদা লৈরম্বা মণিপুরগী পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রিবু রিজাইন তৌহল্লবা মতুং থা অদুগী ১৩দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লগা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকখিবদগী তোকহঞ্জখ্রবা লৈঙাক অদুগী লৈঙাক্লোই ওইরম্বশিংনা কয়ারক হন্না গভর্ণরগী খূথাংদা য়াওনা দেল্লীগী লুচিংবশিংদা অনৌবা লৈঙাক অমা অমুক হন্না শেমহনবীনবা হায়জদুনা লাকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা শামু মনীংদা পেনা খোংবদৌনা লৈরক্লবা মতুং অমুক হন্না অনৌবা লৈঙাক অমা শেমহনবীনবা বি জে পিগী এম এল এশিং দেল্লীদা পাইশিন্নবা হৌরে।

ঙসি নুংথিল পুং ১.৪৫গী ফ্লাইটতা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেন, এম এল এশিংদা টি রোবিন্দ্রো, ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা


# গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
# মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ

দ্রাইভিং লাইসেন্স পায়বা অমসুং রেজিষ্টর তৌরবা গাড়ীগী ওনরশিংনা শোয়দনা মখোয়গী মোবাইল নম্বরশিং অদু Vahan অমসুং Sarathi পোর্টেলদা অপদেট তৌবীয়ু। মসিনা অকুপ্পশিং মপূং ফাহনবা, চপ চানা লৈহনবা অমসুং অপটুদেট ওইহনবদা মখোয়দা মতেং পাংগনি। পোর্টেল অসিদা RTOs শিংদা চত্তনা মোবাইল নম্বরশিং ওনলাইনদা অপদেট তৌবগী খুদোংচাবসু ফংহল্লে।




মরী লৈনবশিংনা অকুপ্পা ৱারোলশিং Parivahan Website - https://parivahan.gov.in/ দা য়েংবা য়াগনি।

অহেনবা ক্লারিফিকেশনগীদমক চানবীদুনা ঈ-মেল তৌবীরকউ- id helpdesk-vahan[at]gov[dot]in and helpdesk-sarathi[at]gov[dot]in

CBC 37101/13/0011/2526